ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ২০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৪০শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ

## য়াওশঙ কুম্মে মনুংদা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তুনা চেকশিলহৌসি

কুমজা ২০১৯গী চহী লোইরমদাইদা অহানবা ওইনা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনখ্রবা মতুং কুমজা ২০২০গী চহী হৌরকপদা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরকখিবা লায়না-লাইচৎ অসিগী চৈথেং লৈবাক অসিদসু মপূং ফানা ফংলিবনি। কুমজা ২০২০গী লোইরমদাই শরুক্তা লৈবাক অসিদা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্থরক্লে হায়না খরমখৈ কোমথোক্লুরবা মতুংদা হৌজিক অনীশুবা ৱেভকী ৱাফম অমুক কন্না লাক্লে। মহারাষ্ট্র, কেরলা, ছটিশগর, মধ্য প্রদেশ, গুজরাট, পঞ্জাব, রাজস্থান অমসুং হরয়ানানচিংবা ষ্টেট খরদা মীপাইনীংঙাই ওইবা ফীভমদা অমুক কেস থেংনবগী চাং হেনগৎলক্লি। ফীভম অসি লাকপদগী হৌখিবা মার্চ ১৭তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরি পূন্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখ্রবনি। হৌখিবা নুমিৎ ১০২গী মনুংদা মার্চ ১৮দা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা লৈবাক পূম্বদা অনৌবা কেস ৩৫৮৭১ থেংনখি। মার্চ ১৮ ফাওবদা অপূনবা কেস মশীং ক্রোর ১.১৫ য়ৌখ্রে। ক্রোর ১.১০না লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎখ্রে। অদুগা মীওই লাখ ২.৫ লোমনা হৌজিক হৌজিক এক্টিভ ওইরি। অদুগা মীওই লাখ ১.৫ হেন্না শিহনখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু মার্চ ১৮ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৯৩২৫ শুখিবগা লোয়ননা কেস ২৮৯২৪দি লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎখ্রে। অদুগা কেস ২৮না এক্টিভ ওইরি অমসুং মীওই ৩৭৩না লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ ওইনা কেস থেংনবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবা অসি য়েংলগা চহীসিগী য়াওশঙ কুম্মে মনুংদা চৎনগদবা অনৌবা কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে। মসিগীসু মথক্তা মহারাষ্ট্র, কেরলা, ছটিশগর, মধ্য প্রদেশ, গুজরাট, পঞ্জাব, রাজস্থান অমসুং হরয়ানাদগী ফ্লাইট তোংদুনা লাকপা পেসেঞ্জর খুদিংমক বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট ইম্ফালদা হেক থুংলবগা আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবসু হৌখ্রে।

চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা য়াওশঙ কুম্মে মনুংদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাং ওইনা মীয়াম্না অমদি স্পোর্টস তৌফমশিংদা ঙাক্লা চৎকদবা কাঙলোনশিং মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নর অমসুং হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা পূন্না খূৎয়েক পীরগা থোকখিবা এদভাইজরি অমনা লাউথোকখিবনি। এদভাইজরি অদুগী মতুংইন্না য়াওশঙ কুম্মে মনুংদা চৎনগদবা কাঙলোনশিং অদুদি মখল খুদিংমক্কী কন্টেক্ট স্পোর্টস ইভেন্ট খুদিংমক পাঙথোকপা য়ারোই, স্পোর্টস পাঙথোক্লিবা মফম অদুগী চঙফম অমসুং থোকফম তোখায়না থমগদবনি। ইভেন্টশিংদা শরুক য়ারিবশিং অমদি মীৎয়েং তারিবশিংনা ফেস মাস্ক উপকদবনি অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি। চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাংশিংনা হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিদা শরুক য়াবা য়ারোই অমসুং চহী ৫দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবুনা মতম পূন্নমক্তা মখোয়গী অহল-লমনশিং লোয়নগদবনি। স্পোর্টসকী পার্টিসিপেন্টশিংনা শরুক য়াগদৌরিবা ইভেন্ট অদু হৌবগা ফেস মাস্ক লৌথোকপা য়াগনি অমসুং ইভেন্ট অদু লোইরবা মতুংদা অমুক হন্না ফেস মাস্ক উপকদবনি। স্পোর্টস শিল্লি-লাংলিবশিং স্পোর্টসকী ইভেন্টশিং পাঙথোক্লিবা মফমশিংদা খূৎ-শা শেংনা হাম্নবা খুদোংচাবা পীগদবনি। মসিগীসু মথক্তা হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্কনচিংবসু ফংহনগদবনি। শিল্লি-লাংলিবশিংনসু কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং মোনিটর তৌনবা অমদি সুপরভাইস তৌনবা অখন্নবা মীওই থমগদবনি। শান্নবুং অমদি অকোয়বগী মফমশিংদা তিন শিৎপা য়ারোই। স্পোর্টস ইভেন্ট, কম্পিটিসন, প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন্নচিংবা থৌরম খুদিংমক নুমিদাং পুং ৬কী মতুংদা পাঙথোকপা য়ারোই। থৌরম পাঙথোকফম নৎত্রগা স্পোর্টস পাঙথোকফম অদুদা য়াম্লবদা মীওই ১০০ দগী হেন্না পূনবা য়ারোই। মীয়াম তিল্লক্কদবা ম্যুজিকেল কন্সর্ট অমদি অতোপ্পা মখলগী ইন্টরটেনমেন্টশিং পাঙথোকপা য়ারোই। স্পোর্টস এরেনাগী মপান্দা চৎনগদবা কাঙলোনশিংদি মী য়াম্না তোংবা গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ারোই, কাংখোং ৪ পানবা গাড়ীশিংদা মীওই ৪দগী হেন্না তোংবা য়ারোই অমসুং কাংখোং অনী পানবনা মীওই ২দগী হেন্না তোংলোইদবনি। ওইল পম্পশিংনসু মী য়াম্না তোংবা গাড়ীশিংদা থাও হানবগী অয়াবা পীরোইদবনি। লম্বীদা থৌরি তিংদুনা শেল নিবা য়ারোই হায়বসিনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাউথোক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি মপূং ফানা ঙাক্লা চৎহনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বদুদি হৌজিকসু ৱাহং অমা ওইরি। লৈঙাক খক্তনা হোৎনবনসু য়ারোই। মীয়ামগীসু থৌদাং লৈ। থৌশাহৌদবদগী অৱাবা নংবগী মতৌ অদু থোকহনগুমসি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদগী ঙাকথোক্নবা য়াওশঙ কুম্মে মনুংদা লৈঙাক্না লাউথোক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তুনা চেকশিলহৌসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

১) "ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা "শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত" হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?

৩) "শৈরেং ৱারেং শিংজু" হায়বসিগী অইবা কনানো?

৪) "সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম" হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?

৫) "থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোত্থাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।" কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# থাজবা অমসুং থাজদবা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



য়ুম থংনরিবা ইপা অমত্তগী ইচিন-ইনাওশিং মশক শুকউ-উনখিদবা নুমিৎ য়ামশিল্লক্লে। মানা-মানা থোকপা থবক নোং ঙানবগা চৎনখি। নোক্লিংবা ফাওই। থাজরুদে মসি থোক্লগনি। মুন্না খনজিল্লুরগা নোক্লিংলকই। মখোয় ঐগা নুমিৎ খুদিং শুমাং অমত্তদা মার্বল শান্নমিন্নরম্বা ঙাক্তনি। মাগী-মাগী থবক্লা লূমখ্রে। ঐগী নুপীসু অদু মঙায়রে, মানা চাক থোংবা, ঐনা ওফিস কাবা। মানা ফি শুবা, ঐনা অঙাং লৌবা হায়দুনি। নুংশিনা তিন্নরম্বা ইমান্নবশিংসু অমত্তা উনখিদ্রে। অদুক ফেসবুক্তা উনবা নত্তনা। ফেসবুক্তফাও উনখিদ্রবা মরুপ-মপাং কয়ানি। মখোয়সু থবক য়াম্না অদুম চিন্নরমগনি।

পাউচেদা গ্যাসকী পাউ য়াওরকই। সিলিন্দর অহাঙবা অমা লৈ। তাঞ্জা চারিঙৈসিদা লৌহৌদ্রবদি বেরা কাগনি। অহুল্লকশুবা চাঞ্চনি। থা অহুম-অহুম লৈরগা ফংবা গ্যাসনি। ব্লেক্তগী লৈবদা মতমদুদা লুপা ১৫০০নি, অশেংবা মমলনা লুপা ৫০০ রোমনি। ব্লেক্তগী লৌবদি থা মখায় অমা থোংলগা চাকশঙদগী ঐগী নুপীনা লাউরক্কনি, "হো, গ্যাস লোইখ্রে, তামো।"

অয়ূক পুং ৭ মুক তাবা অদুদা সিলিন্দর অদু খূদৈ অরাংবা মল্লপ তৌবা অমনা য়েৎতুনা য়োমশিল্লে। অদুগা অমুক তহা-তহা শুমাংদা দুং-দুং অমুক থাংদোকই। ফি শেৎচিল্লে। স্কুলসু চৎকদবনি। ঙরাংসু চৎতে, ৱা থোক্লগদৌরিবনি চৎত্রবদি। য়েনখাদগী ঐগী অমত্তা ঙায়রবা শিনবা ঙমজদ্রবা নুংশিরবা অহল ওইরবা স্কুটর অদু ইন্থোকই। সিলিন্দর অদু মনীংগী মী ফম্ফম অদুদা রবর মচেৎনা লেঙ লাকপা য়াদনবা পুনশিল্লে। গ্যাস বুক য়াওরে, বুকিং স্লিপ য়াওরে, শেল য়াওরে, গাড়ী ষ্টার্ট তৌরে, ঘড়ী হায়ফেৎ য়েংলগা থৌরে। মীসু ৭০০নি হায় গ্যাস পীগদবসু।

গ্যাস লৌফম য়ৌরে। মরাইবক থম্বাল শাৎপা কাঙবুনা ঙন্না লৌবা, শঙ্গ লৈবা কাঙবু, ইকায় খঙদবা কাঙবুনা ক্যু থুগাইরগা মুন্দুনা লৌবনা লৌবা মথংশিৎনা লৌনখ্রে। মীঙমজদবা ঐগী মাঙদনা মী চনী ফানীংচিৎকী খোয়দিং খোয়দ্রাংবা পরেং অনী তাম্না লৈখি। নুপা ঙাক্তনি। মচি লেঙদ্রবা পরেংনি। নুপীগীসু লৈ পরেং অমা মী য়ামদে মখোয়দি। অহৈ অশিং কাঙবুদি নুপী অমদা হায়নরগা ঙন্না লৌদুনা চৎনবসু য়াওই।

অহানবদা নুংশা অদু থেঙলম্মী, মমৈদদি ঐবু চাকথেক্লগে মতাদৌনা মৈরি কাবা হৌরক্লে। মনাক নকপদা উরুম লৈব্রা য়েংই, কান্নদে। গ্যাস সিলিন্দর কোল্লগা অদুম লেপ্পা তারি। উরুম খরা নক্লা ফংলিবা অদুসু দুকানশিংগী সিড়িনী। ফমজিনবা য়াবা মতেক খরা লৈ। অদুবু পোৎ চৈ লৈবা লাকপা ময়ামগী খুনামনা থল্লি। খরা ঙন্না লাকপা য়ারম্বনি, পাউচে থেংনা লাকপনা গ্যাস য়াওবগী পাউ থেঙই। চাক য়াম্না লাম্লে, গ্যাস তর্ন ঙাইবদা। ঈশিং লৈদুনা থক্কে হায়রসু সিলিন্দর থাদোক্লগা মীদা শিন্নরম্লগা চৎপসু তল্লি।

পুং ১২ তাবা, নুমিৎ য়ুংবা মতমদা ঐগী গ্যাস ফংনবগী তর্ন হিংচাবী অদু লাক্লে। অয়ূক পুং ৮দগী ঙাইবনি। স্কুল চৎপা নংনি খল্লম্বা ঐগী আশা উৎতা ঘী হৈবগা অমহা তারে। সিলিন্দর অদু স্কুটর মনীংগী মী ফমফমদা পুনশিল্লগে হায়দুনা ৱানা থাঙ্গৎলুবদা নুংশিৎ য়াওদ্রমাল্লে স্কুটরদু ফমপ্রেক্লা ফমথরকই। হাইস! ঐ স্কুল হায়ফেত্তদি নংব্রা য়েংগে হায়দুনা খনবদা গাড়ী থুনা ফোৎনীংলকই। মনাক নকপা চেঙ, হৱাইগী দুকান অমদা গ্যাস সিলিন্দর অদু ঙাইহাক্তা থমজরমগে, গাড়ী অমা ঙাইহাক্তা ফোৎলুগদবনি, নুংশিৎ য়াওদ্রে হায়রুববু মনুংদদি থনমগনু মাঙ্গোল দারীদা ওইনা থনম্মু হায়না মমায় নোনখৎতনা হায়রকই। ৱা মখা তানীংঙাই লৈত্রে, ঐ গ্যাস সিলিন্দর অদু দুকান অদুদা থনমগে হায়বগী ৱাখল থাদোক্লে। অতোপ্পা দুকানশিংদসু অদুম্মাই হায়রক্তৌ মাল্লেনা হংলুদরে।

ঐনা সিলিন্দর অদু গাড়ীগী মনীংগী সিট অদুদা হাপ্লগা ইন্নবা হোৎনবগী শক্তম অদু ইমান্নবা অমনা উরে। মাগী স্প্যার টয়ার অদু পানশিল্লসি হায়রে। মাগী গাড়ীদগী লৌথোক্লবা হোৎনবদা মাগী নট অদুগা চানবা পানা অমত্তা ফংদ্রে। ঐঙোন্দা য়াওরিবা পানাগসু চানদ্রে। ইনাক্তা লৈবা মী ময়ামগী গাড়ীদা চানবা পানাগা য়াওনব্রা হংনবদসু গাড়ী অনৌবা ঙাক্তনিনা অমত্তা চানদ্রে। ঐ ও খোংনা কপ্পীংলে। অরিবগা-অনৌবগদি নৎ কদাইদৈ মান্নরনি। নুংশিৎ হাঙলবা ঐগী গাড়ীদা গ্যাস থল্লবা সিলিন্দর হাপ্তুনা গাড়ী ফোৎফম তান্না ইনবদা তারে। মীনগা উরবদি য়াম্না পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইবা শক্তমনি ঐগী ইতৌ অদু। গাড়ী ৱার্কশোপ অদুদা হেক য়ৌবদা চনীং তাই ঐ। নুংশা শ্বর থবেৎ থবেৎ তৌরগা ফোৎপীয়ু হায়রুবদা মখোয়গীদি শেন্বখক্তনি, ফোৎপগী থবক য়াওদে হায়রে। উচিন নাচিন্না মখোয়না চাকা ফূকপীরগা অতোপ্পা মফমদা পুদুনা ফোৎলুনবা হায়রে। গাড়ীগা সিলিন্দরগা থনম্লগা চাকা অদু পুদুনা ফোৎফমদা চৎলে। ফোৎফম য়ৌরে, কাহৎলবা মায়থোঙসি পুদুনা। ঙাইহাক ফম্লিংবনি ফম্ফম অমফাও লৈতে। অমোৎপা টয়ার অমনবা মরক্তুদা কৈদৌরুগনোদা হায়না ফমজিল্লে।

মনাক নকপা অমোৎপা পাকখনওই করিওই তৌবা অমা চাক হোটেল হায়না থারি। খূমোৎ অমনি। রিক্সো দ্রাইভর, কুলি, অরাপ্পদগী কৈথেল কারকপা ময়াম শম থল্লগা চাক কিৎ-কিৎ নমদুনা চানরি। মখোয়না শেৎলি চারিবা ফি অমদি হুমাংগী মনম লাপ্না নম্মী। ঙাঙনরিবা ৱাসু অকাম অপেৎ ঙাক্তা পঙাঙদা ঙাঙনৈ। কনামত্তা করি অমত্তা শাউনদে। মফি চেকশিন্না শেৎলিবী ইমা হনুবী খরনা চাক হাপ্পা খোৎপগী থবক তৌই। কৈদৌরুদগনো অসুক চানীংলবসিবো হায়দুনা চাক অদু চাথোকই। লাম্লবনিনা হঙ্গোইবা, হৈনদবা, হাউতবা হায়বদু লৈত্রে।

চাক চাবা লোইরগা গাড়ী ফোৎপা লোইরে হায়না গাড়ী ট্যুব ফোৎপা নুপাদুনা লাউরক্লে। শেল পীথোক্লুম্লগা ৱার্কশোপ তম্না লাক্লে। চাকা পানশিল্লে। য়ূমদা লাক্লে। য়ূম য়ৌরকপদা পুং ২.৩০ তারে। স্কুল চৎহৌদবগী নুংঙাইতবা অমা ফাওরে।

মথংগী নুমিৎনি। স্কুল য়ৌরে। হেদ মাষ্টরনা ঙরাং স্কুল লাক্তে হায়না মৈ হৌনা শাউরে। ওজা য়ামদবা স্কুলনি খঙদ্রা হায়না। ঐনা খল্লি ঐগী ঙরাংগী অৱাবা অদু চপ চানা মাগী মফমদা তম্লবদি মহাক্লা থাজররোই হায়না। য়াম্না শাংখ্রে। থাজদবা থৌদোক ঙাক্তা। ৱাবদি ৱাবা। হৌজিক্কী মতমসিদা অচুম্বা হায়রগা থাজবীরোইদৌবা লৈরবদি অরানবা অমা হায়রগা অদুম থাজহনখিবনা ফৎত্রা? মমাঙদসু গ্যাস লৌরুবগী শাউনবা লৈখ্রে। অদুনা হায়রুই, "ওজা ঐ ঙরাং অঙাং মশা ঙমদদুনা হোস্পিটাল চৎলুবদা স্কুল লাকচখিদ্রে" তপ্পা ওজা হেদ মাষ্টরনা হায়রকই, "হৌজিকসি অঙাং য়াম্না নাবা মতমনি।" ●

# লোল মুন্নরকপা য়াৱ্রা

**নবকুমার ওইনা**

মালেমগী থাক্তা লোলগী ৱা ঙাঙনরক্লি। লোল অসিসু মালেমগী মচি-ময়াদা শন্দোকপা লেপত্রি। কাঙলূপ, ফুরুপ অমনা থৌওইনা হোৎনরুবদি নত্তে। সাউথ ইষ্ট এসিয়া হায়রিবা লমদমসিদা মোঙ্গোলোইদ মী কাঙলূপকী মনুং চল্লি খল্লিবা ঐখোয়না ঙাঙনবা লোল অমা ওইনা হিংলগা লাকখ্রবনি। করিগুম্বদা ঐখোয় খরনা শাগৎলকপা ওইনককা খন্নবসু য়াওনরম্বা য়ারিবা ৱা য়াওনরক্লি। চেদা ইবা হৌরগা, ওজা ওইরগা লোল অসি তম্নরগা শেন্থোক লম্বী ওইনরিবসিগা মী কাঙলূপ কয়ানা লোল অসি ঙাঙনরক্লিবা অসিগদি অকক্লবা মরী লৈনদে। তমদনা ঙাঙনরকপা হৈরকপা হায়বদি হকথেংননা লোল অসি ঙাঙনরিবা মী মরক্তা চঙলগা হৈরকপনা মশীং হেল্লি। স্কুল, কোলেজদা থৌওইনা লোলসি তম্লগা হৈরকপা অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওইদি অমা অনীগী ৱানি। মীওইবা খুন্নাই মরক্তা হিংবা ঙম্লবা লোল অসিবু মুন্নবগুম তৌরক্লিবসি কুইরবা অরিবা লায়না ওইরক্লি।

মালেমসি পূন্না য়েংলগা লোল অসিগী শক্তম অমা ময়েক শেংনা পুথোকপা ঙম্লব্রা হায়না হংলবদি পাউখুম লৈরে হায়গদ্রা? থৌরি চিংনবদা য়াওরিবা মীদুগা কুম্মে ওইনা য়েংলিবা মীদুগা কৈদৌঙৈদা পাউখুম মান্নরক্লোই। মুন্নবদা য়াওরিবশিংনা মপু শাবগী ৱাঙাঙ ঙাঙনবদি কুইরে হায়গনি। হৌখিবা চহী চহুমগী মমাঙদগী ৱা ওইনা ঙাঙনরক্লবনি। লৈঙাক্কী ৱাথোক ওইনা লৌনখিবনা লোলগী ৱাদি নাকলদা থম্লগা চেল্লগা পুবা মাল্লক্লি। মমিং ফাওবা চমম্নবা হেনগৎলক্লি, লোলয়ানগী ৱাথোক ওইরক্লি। ফুরুপ অমনা লোল অসিগী মপু শাবা য়ারক্ত্রে হায়বসি খঙনবা ৱাৎলিবগুম তৌরি। মদুমক্লা লোল অসি মশক খঙবা ৱাৎপগী কঞ্জার্বেটিব ফিলিং অমা হিংদুনা লৈরিবগুম উহল্লি। মীওই খরনা মুক্লবগুম তৌজরবসু লোল অসি ঙাঙলিবা মীয়ামদা থোইনা চৈথেং পীবসু লৈতে হায়গনি। কৈথেলদা ঙাঙনরিবসি ওজাদা হংলগা ৱাহৈ থিরগা ঙাঙনবা নত্তে, ফুরুপ অমগী লোলনি খল্লগা ঙাঙবসু নত্তে। খুন্নাই অমগী ফুরুপ মচাশিংনা ঙাঙনরক্লগা মফম কয়াদগী শেনক্রোনাইজ তৌরক্লগা এসিমিলেট তৌখ্রবনি। ঙসিনা শেগ্রেগেট তৌবগুম্না ঙাঙনরিবসিদি পোলিটিকেল ফিলিংস অদুননি। লোলগী শক্তমদা মদুগী চৈথেং থোইনা লৈতে, অদুম্মক এসিমিলেট তৌবগী চৈচৎ অদুদা লৈজবা ৱানি। অসি য়ৌনা নৈনদ্রিবা হায়বসি লোল অসিগী শক্তম শাগৎপদা ময়েক শেংবা ঙম্নদ্রি হায়বনি। মহৈ চানীংবদগী নাম্মৈ লাম্লগা লোংখ্রৌ চন্নবগী ৱাদা লাক্লি। মদুসু মীওই খরগী থৱায় য়াওবা অমসুং অপাম্বগী মওংদা চত্থরুবনি। ঙসিনা মায়কৈ হোংলকপগুম তৌরক্লি। লোল অসিনা হুমদাং য়ান্দ্রিবা য়ূমগুম্না উরক্লি। কদায় ফাওবা পাক চাউনা শন্দোক্লবনো হায়বা খন্নবগী মথক্তা কনা কনানা ঙাঙলবগে হায়বসিনা হেন্না খন্নবা নুংঙাইগদৌরি। লোল অসিগী অনৌবা ময়েক্তা ইবা হৈবা হৈতবগা লোল অসি ঙাঙবগসু অকক্লবা মরীসু লৈবা নৎত্রি। স্কুল, কোলেজদা তম্বা মহৈরোয় খরতনা ময়েক খঙবা থাক অমদা লৈরিবনি হায়গনি। ষ্টেট অমসুং লৈবাক অতৈদা ঙাঙনরিবা ময়ামদি ময়েক্কী ৱা লৈত্রিবনি। লোল অমা ঙাঙবদা ময়েক খঙগদৌবনি হায়বদি লৈতে। মীওই ফুরুপ কয়াগী মীশিংনা লোল অসি ঙাঙলিবনি হায়বসিদি ইখঙ খঙনবা ৱানি। ইংলিস ঙাঙনরিবসি ইংলেন্দনা হকথেংননা ঙাঙবা ৱা করিসু লৈতে। লোলশেম্লোন অমা ঙাক্লা চৎনবগী ৱাদুতনি। লোল অসি ঙাঙলিবা মালেমগী মীয়ামদসু কনাগুম্বা খরনা লোল অসিগী মপু শারগা ঙাঙলুবা য়াবা নৎত্রি। কনানা মপু ওইগদৌরি হায়বসি ৱারেপ লৈবসু নৎত্রি। লোল অসি ঙাঙবা ঙম্লিবশিংগী হক লৈবগুম্না লৌনরক্লবনি। লোল অসিবু ঙাঙবা ঙম্লবদি লোল অসিগী মপু ওইরবগুম খন্নরকপা মীগী মশীংদি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবনি। চহী চহুমগী মমাঙদগী চত্থরক্লিবা মওং অসিমক কাঙলূপ অমনসু তৌরবদি করি হায়নগদৌরি। খা নোংপোক এসিয়াদা লৈবাক লান্না ঙাঙবা লোলশিংগী মরক্তা অমা ওইদুনা লাকখ্রবনি। লোল অসিগী খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমা হায়বা তারবদি মমিং হোংদোক হোংজিন তৌরুবসি ওইগদৌরি। মমিংনা ইন্দো অরিয়ান ওইরগা মথিবোংনা টিবেটো বর্মিজ ওইরিবনি। লোলশেম্লোন ময়েক শেংনা পুথোকপা ঙমদ্রিবগুম উহল্লিবসি শাজৎ খরনা অয়েৎপা ওইরিবগীনি। লোল অসি ঙসিদি মৈতৈলোলখক্তনা শেমগৎলকখিবা নত্তে হায়বসিদি ইখঙ খঙনবা ৱা অমনি। নুংশিমনবদগী য়েন্নাও মেৎখায়বা তারকপসু য়ারি, লোল শেমগৎপদদি নেপোটিজম চঙলুবা য়ারোই, মোনার্কিজমগী মতমসু লোইখ্রে। লোলগী ৱা ঙাঙনবদা শাজৎশিংদুগী মমি তারিবা ওইবদি য়াই। লোলগী শক্তম লেপ্পদদি অশেংবা হায়বদু ওইরক্তবসু য়ারিবনি। লোলদা কোলোনিজম শান্নবা য়াবগী মতমসু নৎত্রে, ফুরুপশিং তোৎশিন্নরকপদা (লল্লোনবা অমসুং লৈঙাক্কী অহোংবদগী) লোল চাওখৎলকপগী ৱা লাকচবতনি। লোল অসিনা ফুরুপ কয়াগী ফাওনলোল ওইরকখিবা অসিমক মশাগী শক্তম ওইরবনি। ফুরুপ অমখক্কী লোলদগী ওইরকখিবদি নত্তে হায়বসি লোলগৈ অসিনা অদুমক তাকচবা ৱানি। শামু য়েংবগুম্না নকশিন্না য়েংবদা পূন্না উদবসু য়াই। অরিবা লোলদি ঙাঙনদ্রবনি।

লান ঙমখিবদা লোল হোংবা চৎনদে, চিন থিজিন্নরগা মমিং পংথোন থোনবসু য়ানরোই। ঙমখৈ লৈতনা ফুরুপ কয়া তোৎশিন্নরকপগী মমিদি লোল অসিদসু তাফম থোকই। অইবা খরগী খুদুং ইল্লগা লোলগী শক্তম লেপ্পসু চুম্নরোই। ঙাঙলিবা মীয়াম অমসুং লোল্লিবা লোল অসিদা মশাগী শক্তম অদুমক য়াওজরবা পোৎনি। লোল অসিগী অপূনবা শক্তমসি য়েংলগা লোল অসিদা মিংথোন পীবনা লোল অসি নুংশিবগী খুদম ওইগনি। লোল-কাংজৈ শান্নবনা লোল অসি চাওখৎপা পুরক্কদৌবসু লৈতে। ফুরুপকী লান্না লোল অসি মথক-মখা ওনবসু ঙমদে, তোৎশিন্নগদৌবা লোলশিংদু এসিমিলেট তৌবা তপথহল্লি। মদুমক্লা লোলশিংদু হিংবা ৱাহল্লকই, লোলয়ান চঙবা হায়বসিগা এসিমিলেসন তৌরিবা অসিগা খেন্নবা কয়া লৈগনি। টিবেটতগী থাইলেন্দ ফাওবদা মরা তারিবা লোল অমবু লাইগী মিংদা চবান থাবগুম কথোকপা য়াবা হৌনদে। লোল অসিগী মিং তরেৎ/নিপান থোক্লকপসু য়াই, ফুরুপ চাম্মগী মীয়াম্না ঙাঙলিবা লোলনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।